ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ

HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses

# হুইয়েন লানপাও

The Largest Circulated Newspaper in Manipur



ইন্দিয়ন রেদ ক্রোস সোসাইটি, বিষ্ণুপুর ব্রাঞ্চকী প্রিসিদেন্টসু ওইরিবা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী দেপ্যুটি কম্মিস্নর এল বিক্রমনা তৌবুল অমদি খোইজুমানগী শেঙ্খোক লম্বী ৱাৎলবা ইমুংগী মীওইশিংদা তর্পোলিন, হায়জিন কিট অমদি ব্লাঙ্কেটশিং তেংবাঙবা

লৌশিং পূক্কে : অহল ওইশিল্লকপা মতমদা ব্রেনদা... ☛ লামায় ২
লামায় ৪ ☛ চাইনানা টাইৱানদা লান্দারক্কদৌরিব্রা
'চীঙ্গোই বারুনী মহাদেব-!' ☛ লামায় ৫
লামায় ৬ ☛ মীয়ামগী য়াইফনবা থবক থৌরম কয়া মখা তানা...
অমিট শাহগী মথক্তা প্রিভিলেজ মোশন থাঙ্গৎখ্রে ☛ লামায় ৯
লামায় ১২ ☛ রুশু শান্নরোয় এন রোশিবিনা দি এস পি...

মোইদাংপোক, ন্যু কৈথেলমানবী অমদি মোইদাংপোক খুনৌদা পোল্যুশন থোকহনবা ফেক্টরিশিংগী মায়োক্তা শেমখিবা জে এ সীনা চঙশিনখিবা ৱাকৎ খোঙজংদা লৈঙাক্লা থবক পায়খৎলক্ত্রবদি জিরি লম্বী থিংজিল্লগনি ফোঙদোকখিবা



Vol. 49, Issue No. 004 | শগোলশেন, লমতাগী ২৮নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১২ | HUEIYEN LANPAO | Thursday, March 27, 2025, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 5.50

# মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী 'ওগষ্ট হাউস'পু থৌরম পাঙথোক্লরিবা 'কম্ম্যুনিটি হোল' ওন্থোক্লবা হোৎনবা য়াওরব্রা

## মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী 'ওগষ্ট হাউস' তা ষ্টেট লেভেল বিক্সিট ভারত য়ুথ পার্লিয়ামেন্ট ফেষ্টিবেল পাঙথোক্লে তৌরম্লে

## এসেমব্লিগী কমপ্লেক্সতসু নত্তনা হাউস মনুংদা পাঙথোক্লবা হোৎনবদি চুমদব্রা খল্লি : খাইদেম মনি




## এসেমব্লিগী রুলস ওফ প্রোসিজর এন্দ কন্দক্ট ওফ বিজিনেসনদি 'হাউস'কী ৱাহন্থোক অসি 'হাউস ওফ দি লেজিসলেটিভ এসেমব্লি ওফ দি ষ্টেট ওফ মণিপুর' হায়না পীরি

**ইম্ফাল, মার্চ ২৬ (ঐচএনএস) :** মণিপুরগী লেজিসলেটিভ এসেমব্লি হায়বসি অদুঙৈ কুমজা ১৯৪৭কী ওগষ্ট ১৪গী অহিংদা বৃটিশনা ষ্টেট অসিবু থাদোক্তুনা চৎখ্রবা মতুংদা শেমখিবা 'মণিপুর কন্সটিট্যুশন এক্ট-১৯৪৭' কী মখাদা অহানবা মীখল পাঙথোক্তুনা লিংখিবা লৈঙাক্কী মতমদগী হৌনা লৈরল্লবনি।

অদুগা কুমজা ১৯৪৯গী সেপ্টেম্বর ২১দা 'মর্জর এগ্রীমেন্ট' খূৎয়েক পীনরবা মতুং ওক্টোবর ১৫, ১৯৪৯দগী লৈবাক অসিগী শরুক অমা ওইরল্লবা মতুং ...মখা লমায় ৩ কলম ২




এসেমব্লিগী ওগষ্ট হাউসতা পাঙথোক্তনবা হায়রক্লে হায়দুনা এম য়ুগী কোর্ট রুমদা পাঙথোকপা




মার্চ২৬, ২০২৫দা স্পিকরনা শরুক য়াদুনা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী ওগষ্ট হাউসতা পাঙথোক্কনি থৌরাংলম্বা ফেষ্টিবেলগী ইনভিটেশন কার্দ

# প্রসিদেন্টস রুল শীংনরকপা পিটিশনগী ৱায়েল ঙসি হায় কোর্টতা চথরগনি




**ইম্ফাল, মার্চ ২৬ (ঐচএনএস) :** মমাঙ থাগী ১০গী অয়ুক পুং ১১দগী ১২শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী ৭শুবা মীফম হৌবগা লোয়ননা অনৌবা চহীসিগী অহানবা মীফম ওইগদবনা গভর্ণর এ কে ভল্লানা হৌদোকপা নুমিৎতা মহাক্কী এদ্রেশ পীগনি হায়দুনা ফাওবা থৌরাং তৌরল্লবা মতুং ফেব্রুৱারী ৯, ২০২৫গী নুংথিলদা লৈঙাক লুচিংলকখিবা বিরেননা চীফ মিনিষ্টরগী ফমদগী রিজাইন তৌখ্রবা মতুং থা অদুগী ১৩দগী মণিপুরদা প্রসিদেন্ট দ্রৌপদি মুরমুনা তৌরকপা প্রোক্লেমেশনগী মতুংইন্না প্রসিদেন্টস রুল চৎনহল্লক্লিবা অসি মরম চাদে হায়রদুনা তোঙান-তোঙানবা মরম ১৩ পীরদুনা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা ফাইল তৌরকখিবা সিভিল রিট পিটিশন নম্বর ১৫৫ ওফ ২০২৫গী মখা তাবা ৱায়েল হয়েং কোর্ট অসিগী চীফ জষ্টিস দি কৃষ্ণকুমার অমসুং জষ্টিস এ গুনেশ্বরগী বেঞ্চতা চথগদৌরি।

মসিগীদমক হয়েংগী ওইনা চীফ জষ্টিসনা লুচিংবা বেঞ্চ অসিগী কোজ লিষ্টকী আইটেম নম্বর ৫দা পিটিশন অসি লিষ্ট তৌখ্রে।

পনবা য়াবদি, মণিপুরদা প্রসিদেন্টস রুল চৎনহল্লকপবু শীংনরকখিবা পিটিশন অসি ময়াং ইম্ফালগী চিরাই অৱাং লৈকায়দগী থোকচোম সুর (৫৬) অপোকপা লৈখিদ্রবা টি ঐচ কুল্লবিধু কৌবা মীওই অমনা পিটিস্নর ওইদুনা ফাইল তৌরকখিবনি। অদুগা পিটিশন অসিগী রেস্পোন্দেন্টনা গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফেয়রসকী সেক্রেটরিনা মহুৎ শিনবা য়ুনিয়ন ওফ ইন্দিয়ানি। পিটিশন অসি ...মখা লমায় ৩ কলম ৬

## পাৱন যাদবনা অমিট শাহগী প্রাইভেট সেক্রেটরি

**ন্যু দেল্লী, মার্চ ২৬ (এজেন্সী) :** ঙসি য়ুনিয়ন লৈঙাক্কী দিপার্টমেন্ট ওফ পর্সনেল এন্দ ট্রেনিং (ওফিস ওফ দি ইষ্টাব্লিশমেন্ট ওফিসর) গী মায়কৈদগী দেপ্যুটি সেক্রেটরিনা থোকপা ওফিস মেমোরেন্দম অমগী মতুংইন্না মণিপুর কাদর : ২০১৪গী আই এ এস ওফিসর পৱন যাদবপু হোম অমসুং কোওপরেশনগী মিনিষ্টর অমিট শাহগী প্রাইভেট সেক্রেটরি ওইনা এপোইন্টমেন্ট পীরে হায়রি। ফম অসি মহাক্লা সেন্ত্রেল দিপ্যুটেশনদা এপ্রিল ২, ২০২৭ ফাওবা লৈরিঙৈদা পুগনি হায়নসু ওফিস মেমোরেন্দম অসিনা পল্লি। অদুগা মহাকপু হোম মিনিষ্টর অমিট শাহগী প্রাইভেট সেক্রেটরি ওইনা এপোইন্টমেন্ট পীরিবসি এপোইন্টমেন্টস কম্মিটি ওফ দি কেবিনেটকী অয়াবা মতুংইন্ননি হায়রি।

# হান্নগী চীফ মিনিষ্টর এন বিরেন ফম থাদোকখিবদগী ইম্ফালদা তংদু লৈতানা লৈবা ঙম্লক্লে : রামেশ্বর

**ইম্ফাল, মার্চ ২৬ (ঐচএনএস) :** মণিপুর লৈঙাক্কী হান্নগী চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা ফম থাদোকখিবদগী ইম্ফালদা তংদু লৈতানা লৈবা ঙম্লক্লে হায়না কৈরাওগী এম এল এ লৌরেম্বম রামেশ্বর মীতৈনা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি ঙসি ময়াং ইম্ফাল বেঙ্গুন সতি খোংনাং গ্রাউন্দদা মণিপুর মৈতৈ পাঙল ৱেলফেয়র ওর্গনাইজেশন (এম এম দব্লিয়ু ও) না শীন দুনা পাঙথোকখিবা অচৌবা ইফটর পার্টিদা শরুক য়ারদুনা ফোঙদোকখিবনি।

মহাক্লা মখা তানা হায়, তম্পাক্তা তংদু লৈতাবা পুরক্লে হায়রুবগী মীওই খরদি শাওনীংবা পোকপগুম তৌরি। তম্পাক্তা তংদু লৈতাবা পুরক্লে হায়খিবদু চীফ মিনিষ্টর ওইরম্বা এন বিরেননা পাল্লিঙৈদা সোশল মীদিয়াদা লৈঙাক্কী অশোয়বা চৈরুবগী ফাবা-পূনবা, শকখঙদবা মীওই থারক্লগা কিদনেপ তৌবা য়াওনা কা হেনবা থবক কয়া তৌরম্বদু মহাক্লা ফম থাদোকখিবদগী লোইনা ফখ্রে হায়বনি। মণিপুর পূম্বগী তংদু লৈতাবা পুরকপদি মতম চঙখিগনি। নম্ফুদা হেক্তা পুরকপা ঙম্লোই। নাগা অমদি মীতৈ পাঙলশিংনা অচৌবা থৌদাং লৌরগা মহৌশাগী পূন্সিদা হঞ্জিলহন্নবা হোৎনহন্নীংই হায়খি।

থৌরম অসিদা ময়াং ইম্ফালগী এম এল এ, কে রোবিন্দ্রো, ক্ষেত্রিগাওগী এম এল এ সৈখ নুরুল হাসন, এম এম দব্লিয়ু ওগী প্রসিদেন্ট এম দি অলি ...মখা লমায় ৩ কলম ২



এম এল এ, এল রামেশ্বর

# তম্পাক্তা খক্তা লো লৈরগা চীংদা লৈত্রবদি পি আর লৈতবনা ফরে, অমিট শাহ মোরেল গ্রাউন্দদা ফম থাদোক্কদবনি : হাওমি

**ইম্ফাল, মার্চ ২৬ (ঐচএনএস) :**

মমাঙ থাগী ১৩দগী মণিপুরদা প্রসিদেন্টস রুল চৎনহল্লক্লিবা অসিদা তম্পাক্তা খক্তা লো এন্দ ওর্দর চৎনহল্লকপগা মরী লৈননা হোম মিনিষ্টর অমিট শাহনা ষ্টেট অসিদা চপ মান্নবা মীৎয়েং য়েংবা ঙমদ্রবদি অমসুং লো এন্দ ওর্দর ঙাকপা ঙমদ্রবদি ফম থাদোকপনা হেন্না



লৈরগা চীংদনা লৈতবগী ফীভম অমদা থল্লবদি প্রসিদেন্টস রুল লৈতবনা হেন্না ফরে। লোয়ননা লৈঙাক অসি ফরে হায়না ফেদরেশন ওফ হাওমিনা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি নুংথিল ইম্ফাল ইষ্টকী ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## ময়ায় লম্বী কোলেজগী প্রিন্সিপালগী কা ছো লোনশিনখ্রে

**ইম্ফাল, মার্চ ২৬ (ঐচএনএস) :** ময়ায় লম্বী কোলেজগী ওজা ৱাৎলিঙৈগী চৈরক্তা ওজাশিং ট্রান্সফর তৌথোকপীখ্রে হায়দুনা খোইশাওনরবা মহৈরোয়শিংনা কোলেজ অসিগী প্রিন্সিপালগী কা ছো লোনশিনখ্রে হায়রি।

খোঙজং অসিগী মতাংদা ইনাওবা ৱাইরোকপম কৌবা মহৈরোয় অমনা ফোঙদোরকপদা কোলেজ অসিগী ইকনমিক্স দিপার্টমেন্টকী ওজা ৪ লৈগদবগী মনুংদা ৩ খক্তনা মহৈরোয়শিংবু তম্বীরক্লি। ৱাৎলিবা ওজা অমা হাপ্পীনবা হায়জখ্রে অদুমকপু মদুগী মহুত্তা হান্না লৈরিবা ওজা অহুমগী মনুংদগী অমা ট্রান্সফর তৌথোকখিবসি মহৈরোয়শিংগী লাইবক থীবনি। লৈহৌরিবা ওজা অনীগী মনুংদা অমসু চহী অসিগী মনুংদা রিটাইয়র্দ তৌরগদবনি হায়রি।

## মণিপুর ষ্টেট কলা একাদেমিগী চহীগী মীফম

**ইম্ফাল, মার্চ ২৬ (ঐচএনএস) :** মণিপুর ষ্টেট কলা একাদেমিগী চ্যেরমেনসু ওইরিবা গভর্ণর এ কে ভল্লানা চ্যের লৌদুনা ঙসি রাজ ভবনগী কনফরেন্স হোলদা একাদেমি অসিগী এগজিক্যুটিভ বোর্দকী চহীগী মীফম পাঙথোক্তুনা একাদেমি অসিনা আর্ট এন্দ কলচর অমসুং লিটরেচরদা অহেনবা থবকশিং পায়খৎনবা খন্নখ্রে হায়রি।

## চীফ সেক্রেটরিনা এস বি আই ব্রাঞ্চ হাংদোকখ্রে

**ইম্ফাল, মার্চ ২৬ (ঐচএনএস) :** সাইকুল এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী অহানবা ওইনা ষ্টেট বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়াগী ব্রাঞ্চ অমা ঙসি চীফ সেক্রেটরি পি কে সিংহনা বেঙ্ক অসিগী বাবুপড়াদা লৈবা রিজনেল বিজিনেশ ওফিসতগী ভর্চ্যুএল মোদতা হাংদোকখ্রে হায়রি।

থৌরম অসিদা বেঙ্ক অসিগী ইম্ফাল ব্রাঞ্চকী এসিষ্টেন্ট জেনরেল মেনেজর কে ঐচ ওকেন্দ্রো অমসুং মোইরাংথেম দেবকিশ্বরনচিংবা ওফিশলশিংনা শরুক য়াখি হায়রি।

## য়ু জি তরুক ফারে, শেল অমসুং গাড়ী ফংলে

**ইম্ফাল, মার্চ২৬ (ঐচএনএস) :** মণিপুর পুলিস কন্ট্রোল রুমদগী ঙসি থোরকপা চেরোল অমদা ঙসি পুলিসনা আর পি এফ/পি এল এগী টি ঐচ সুরনকুমার এলিয়জ অচৌবা এলিয়জ ঈংবা (২৯) অমসুং চীংঙাখম লাঙ্গোল (২১) কৌবা কাদর অনী দিক্কু রোদতগী টু হ্বিলর গাড়ী অনীগা অমসুং শেল ওইনা লুপা ৩,৫০০গা কোন্ননা ফারে হায়রি। অমরোমদা, ঙসি পুলিসনা কে ৱাই কে এলগী নাওরেম নরেন মৈতৈ এলিয়জ লৈশেম্বা এলিয়জ ইরাবত (২৫) কৌবা কাদর অমসু তখেল মমাঙ লৈকায়গী চীংয়াদগী টু হ্বিলর অমগা কোন্ননা ফারে হায়রি। অদুগা প্রিপাক-প্রোগী ৱাঙ্খৈরাকপম রোমিও মৈতৈ এলিয়জ বারুনি (৪৪), থোকচোম নেপোলিয়ন এলিয়জ অবোথে (২২) কৌবা কাদর অনী ঙরাং সিক্যুরিটি ফোর্সনা টোপ মখা লৈকায়গী শগোলশেম পৃখ্রি মনাক্তগী লুপা ১১,৮০০ গা কোন্ননা ফারে হায়রি। অমরোমদা, ঙরাং পুলিসনা মোরে ৱার্দনম্বর ৫গী বোর্দর পিল্লর ৭৯ মনাক্তগী কোইরেংনা লুচিংবা য়ু এন এল এফকী কাদর রিঙ্গো এলিয়জ মতুম (৩১) সু ফারে হায়রি।

## পার্লিয়ামেন্টতা এম পি বিমোলনা রিপোর্ট পুথোকখ্রে

**ইম্ফাল, মার্চ২৬ (ঐচএনএস) :** পর্লিয়ামেন্টরি ষ্টেন্দিং কম্মিটি ওন এদ্যুকেশন, ৱিমেন, চিলদ্রেন, য়ুথ এন্দ স্পোর্টসকী মেম্বর ওইরিবা এম পি ডা. অঙোমচা বিমোল অকোইজমনা কম্মিটি অসিগী ৩৬৩ অমসুং ৩৬৪শুবা রিপোর্টশিং লোক সভাদা পুথোকখ্রে।

মহাক্লা পুথোকখিবা ৩৬৩শুবা রিপোর্ট অসি মিনিষ্ট্রি ওফ এদ্যুকেশনগী দিপার্টমেন্ট ওফ স্কুল এদ্যুকেশন অমসুং লিটরেসিগী দিমান্দস ফোর গ্রান্টস-২০২৫-২৬কা মরী লৈননি অদুগা ৩৬৪শুবা রিপোর্ট অসিনা মিনিষ্ট্রি অসিগী দিপার্টমেন্ট ওফ হায়র এদ্যুকেশনগী দিমান্দস ফোর গ্রান্টস-২০২৫-২৬কা মরী লৈননি হায়রি।

কম্মিটি অসিনা থিজিনবদা ধনমঞ্জুরি য়ুনিভর্সিটি অসি হৌজিক রুসাগী মখাদা য়ু জি সী এক্ট, ১৯৫৬কী সেক্সন ১২(বি) গী মখাদা রিকগনিশন ফংদ্রিবনি। মসি খক্তা নত্তনা এন এ এ সী এক্রিদিটেশনগী রুল ২(এফ) কী মখাদসু রিকগনিশন ফংদ্রিবনি হায়বা ফীভম থেংনরে হায়রি। অদুম ওইনমক মহৈকোল অসিগী কন্সটিট্যুএন্ট কোলেজ মঙাদি রিকগনিশন অসি ফংলে হায়রি।

## মার্চ ২৮দগী জিরি লম্বী থিংজিল্লগনি : জে এ সী

**ইম্ফাল, মার্চ ২৬ (ঐচএনএস) :** ইম্ফাল ৱেষ্টকী মোইদাংপোক, ন্যু কৈথেলমানবী অমদি মোইদাংপোক খুনৌগী অকোয়বদা কাঙলোন কায়না চলাইরিবা ষ্টোন ক্রশর, ব্রিক ফিল্ড অমদি বিটুমেন্ট মিক্সিং প্লান্ট কয়ামরুম লৈরকপবু য়ানীংদবা ফোঙদোক্লদুনা জে এ সী এগেনষ্ট পোলুটিং ফেক্টরি ইন এন্দ অরাউন্দ মোইদাংপোক, ন্যুকৈথেলমানবী অমসুং মোইদাংপোক খুনৌনা মোইদাংপোক মখা লৈকায়গী লম্বীদা ৱাকৎ খোঙজং চঙশিনখ্রে।

খোঙজং অসিগী মতাংদা জে এ সীগী মেম্বর লৌরেম্বম বিজুনা হায়, য়ূম্লক্তা অমদি লৌবুক্তা রুলগী ৱাংমদা ষ্টোন ক্রশর, ব্রিক ফিল্ড অমদি বিটুমেন্ট মিক্সিং প্লান্ট কয়া থমজিল্লকপনা মায়কৈ অসোমগী মীয়ামদা চাউনা অকায়বা পীরে। মফমশিং অসিদগী থোরকপা উখুল অমদি মৈখুনা অকোয়বগী মীয়ামগী হকচাংগী ফীভম শোকচিলহল্লে। নোংমগী থবক শূবা নোম্বা চৎতুনা য়ূম পুবা ঙম্নবা শেল তানবা চৎকদবদু ফেক্টরিশিং অসিদগী থোরকপা উফুল অমদি মৈখুনা ...মখা লমায় ৩ কলম ৬

## মণিপুরগী রিজনেল পার্টি ওইরবা আর পি আইনা মীয়ামগী থবক তৌরগনি : মহেশ্বর



**ইম্ফাল, মার্চ ২৬ (ঐচএনএস) :** আর পি আই-এবু ঈ সী আইনা মণিপুরগী রিজনেল পার্টি অমা ওইনা শকখঙলবনিনা পার্টি অসিনা ষ্টেট অসিগী মীয়ামগীদমক থবক তৌরগনি হায়না পার্টি অসিগী নেশনল জেনরেল সেক্রেটরি মহেশ্বর থৌনাওজমনা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি ঙরাং ন্যু দেল্লীগী অম্বেদকর ইন্টরনেশনল সেন্টরদা পাঙথোকখিবা পার্টি অসিগী নেশনল এগজিক্যুটিভ মীটিংদা শরুক য়ারদুনা ফোঙদোকখিবনি।

মীফম অসিদা পার্টিগী নেশনল প্রসিদেন্টসু ওইরিবা য়ুনিয়ন ষ্টেট মিনিষ্টর (সোশল জষ্টিস এন্দ এম্পৱারমেন্ট) রামদাস অথৱালে য়াওনা পার্টিগী মরু ওইবা থৌপুবশিংনা শরুক য়াখি। ...মখা লমায় ৩ কলম ১

## য়ূম্ফম য়াওদবা ৱাফমনি : এম এন আর এফ

**ইম্ফাল, মার্চ ২৬ (ঐচএনএস) :** থা অসিগী ১২দা 'ত্রিচরস এক্টিভিটি ওফ জেনরেল এন্থোনি সিমরে, আর্মি চীফ ওফ এন এস সী এন/আই এম হায়বা আর্টিকল অমা ফোঙখিবগী মতাংদা মণিপুর নাগা রেভল্যুস্নরি ফ্রন্ট (এম এন আর এফ) কী পব্লিসিটি ৱিংনা থোরকপা চেরোল অমদা আর্টিকল অদুনা ফোঙদোরকখিবা ৱাফমশিং অদু অরানবা অমসুং য়ূম্ফম য়াওদবা ৱাফমশিংনি হায়না শেংদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, আর্টিকল অদু ম্যান্মারদগী কম্মান্দর এস খুমন মিন থার কৌবা অমনা থোরকপদগী সোশল মীদিয়াদা ভাইরেল ওইরক্তুনা এম এন আর এফকী মিং শীজিন্নরকপনি। কম্মান্দর এস খুমন হায়রিবা ...মখা লমায় ৩ কলম ৬

## নেশনল মিন্স-কম-মেরিট স্কোলরশিপ এগজামিনেশন ২০২৪-২৫গী রিজল্ট

**ইম্ফাল, মার্চ ২৬ (ঐচএনএস) :** স্কুল এদ্যুকেশনগী এগজামিনেশন কম্মিটিগী রেকমেন্দেশন মতুংইন্না গভর্ণমেন্ট, গভর্ণমেন্ট এদেদ স্কুলশিং খক্তদা ক্লাস আইট তম্লিবা মহৈরোয়শিংগীদমক পাঙথোকখিবা নেশনল মিন্স-কম-মেরিট স্কোলরশিপ এগজামিনেশন ২০২৪-২৫গী রিজল্ট লাউথোকখ্রে। রিজল্ট অসি দিরেক্টোরেট অসিগী নোটিস বোর্দ নৎত্রগা সাইন্স য়ুনিট অমদি ৱেবসাইটতগী খঙবা য়াগনি হায়রি।

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩দা

# রিলিফ কেম্পতা লৈরকপা চহী ২ শুজিল্লক্লবা ঐখোয়না কোংগ্রেস অমসুং বি জে পিগী লৈঙাক অনীমক্তা ৱারৌই : শান্তি

**রিলিফ কেম্পতা লৈরক্লিবশিংগী**
**হকথেংনবা পাউদম**
**চুড়াচান্দপুরগী ন্যু বজারদগী খুঞ্জা**

**(ঙরাংগী মখা...)**

চুড়াচান্দপুরগী ন্যু বজারদগী লাঞ্জেল্লক্তুনা নিংথৌখোংগী মাঙ্গোলঙানবী কোলেজদা হাংবা 'রিলিফ কেম্প ওন প্রজেক্ট সিচুএশন' দা চঙজফম লৌরক্লিবী দব্লিয়ু শান্তিনা পাউচে অসিদা মখা তানা হায়, লান হৌরকখিবা নুমিৎ অদুদা অসুক চাউবা ঈরাং মখা তানা চথরকখিগনি হায়না খল্লুদে। শিঙ্গৈবাক অমদি থাঙনচিংবা পায়বা কুকিশিংগী মরক্তা নোংমৈ পায়বা কয়া অমসু শলুপ-শলুপ খোঙনা চৎপা উখি। ঐখোয়সু চেনফম লৈতদুনা লৈরিঙৈগী তাঞ্জাদুদা ঐখোয়না লোৎলিবা য়ূম অদুগী অঙাং অমনা মখোয়গী ফূরুপকী হাও ফনেক্লা ৱা মতোন্দা হাপ্লগা ফিরাল শাদুনা মখোয় লৈরি হায়বা খঙনবা গেটতা থেৎপদগী করিসু থোইদোকপা তৌরমখিদে।

মে ৩, ২০২৩দগী হৌরকখিবদুনা মথং নুমিৎকী নোংঙাল্লমদাইপুং ৩ হেল্লকপা অদুৱাইদা অমগা অমগা টেলিফোন তৌনদুনা সিফাইনা লৌবা লাক্লগনি হায়রকপদগী ঐখোয় লোৎফমদগী থোরকখি। য়ূমদগী করিগুম্বা পোৎ অমা ফাওবা পুথোরকপা নংখিদে। সিফাইনা ঐখোয়বু লৌবা লাকপা অদু ফাওবদা কুকি নুপী অমদি নুপাশিংনা সিফাইশিং অদুদা ইনবা য়াও, মখোয়গী গাড়ীদা নুঙনা থোমজিল্লকপা য়াও কয়া অমা তৌরকখি অদুবু সিফাইশিং অদুনা খূৎ অমত্তা থাখিদে। করিগুম্বা সিফাই অমসুং মখোয়গী গাড়ীদা চথরকখিবা থৌওং অদু করিগুম্বা মীতৈশিংনা তৌবা ওইরম্লবদি অচৌবা ঈরাং থোক্তুনা মীতৈ কয়া অমা ফূবী চৈবীবা শোয়দনা তৌরমগনি। নুমিৎতুদা সিফাইনা ঐখোয়বু মখোয়গী গাড়ীদা নমশিন্দুনা অহানবদা কাংভাইদা লৈবা মখোয়গী কেম্পতা পুশিল্লগা চান-থক্লবা ফজনা শীনবীদুনা পীজখি। অঙাংশিংদা শঙ্গোম ফাওবা পীথক্লবা মতুংদা ঐখোয়বু ক্বাক্তা ফাওবা থিনবীরকখি। অসুম্না য়াম্না ৱানা রিলিফ কেম্প অসিদা লৈরক্লিবা অসি হৌজিক চহী ২ ফাজিল্লক্কদৌরে। চৈরকসিদা ইচানুপাসু খঙহৌদনা মীৎকী অনাবা হৌরক্তুনা মীৎ উরক্তবদগী ডাক্তরদা য়েংলুবদা শ্বাইদা ঙম্লরোই, মপান্দা পুদ্রদি য়াররোই হায়রকপদগী ইশাগা লোয়নজরকপা সনাগী লিক অমদি ইচানুপাগী খুৎতা শিরকপা খুদোপ মচা অদুগা ইয়ানুপা, ইচানুপী অমদি ইচিল ইনাওশিংনা পাংলকপা শেল খরনা ইচানুপাবু মপান্দা পুদুনা লায়েংলুরে। হৌজিক ফাওবদা মহাক্কী লায়েংবদা লুপা লাখ ১১ হেন্না লোইশিল্লক্লে। অদুগা অনাবসু হৌজিকথাগী ওইনা অনীরক/অনীরক লুপা লিশীং ২১ চঙনা হীদাক কাপ্লি। শিজ ...মখা লমায় ৩ কলম ৬

# প্রিপাককী রেদ আর্মিগী ৪৫শুবা অপরাইজিং দেগী থৌরম পাঙথোকখ্রে



**ইম্ফাল, মার্চ ২৬ :** পিপলস রেভল্যুস্নরি পার্টি ওফ কংলৈপাক (প্রিপাক) কী খূৎলায় পায়বগী লান্মী শঙলূপ রেদ আর্মি (আর এ) গী ৪৫শুবা অপরাইজিং দেগী থৌরম পাঙথোকখ্রে হায়না লালহৌলূপ অসিগী পব্লিসিটি ওফিসর মঙাল খুমনগী চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, কুমজা ১৯৮০গী মার্চ ২৬তগী হৌনা লেপ্তুনা পাঙথোক্তুনা লাক্লিবা প্রিপাককী রেদ আর্মিগী ৪৫শুবা অপরাইজিং দে ২০২৫গী থৌরম লমদমসিদা খুন্দারিবা তোঙান তোঙানবা কাঙলূপশিং অমদি চীংমী তম্মী মীয়াম পূম্নমক্না খূৎশম্নদুনা মপূং ফানা পাঙথোকখ্রে।

চ্যেরমেন (ইন্টরিম কাউন্সিল), প্রিপাকনা লৈবাক মীয়ামদা পীবা পাউজেল চেরোলবু পাউচেশিংদা হাপ্পীদুনা মীয়ামদা পাবা ফংহনবীখিবা অমসুং প্রিন্ট অমসুং ইলেক্ট্রোনিক মীদিয়াশিংদা শন্দোক্তুনা লমদমসিগী মীয়ামদা তাবা/উবা ফংহনবীখিবা প্রিন্ট অমসুং ইলেক্ট্রোনিক মীদিয়াগী ইচিল ইনাও খুদিংমকপু হরাও তরাম্না ফোঙদোরক্লি। ...মখা লমায় ৮ কলম ১

ঈ-পাউগা মরী লৈনবশিংগী, এদভর্টিজমেন্টগীদমক অমসুং রিদরস ক্যেরগীদমক মোবাইল নম্বর +৯১- ৯৭৭৪৮০৩১৪৫